## দিফেন্স আইটেম ১০১ পুশিল্লকপা থিংখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়াগী দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিবু মীপান তাংদনবা অমসুং লম অসিদা লৈবাক অসিনা পায়খৎচরিবা পোত্থোক পুথোকপগী থবকশিং চাওনা পুক্কিং থৌগৎপা ওইনা নোংমাইজিং নুমিত্তা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসিদা মপান্দগী আইটেম ১০১ পুশিল্লকপদা অথিংবা থমখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা কুমজা ২০২০-২১ গী কেপিটেল প্রোক্যুর্মেন্ট বজেটসু দোমেষ্টিক অমসুং ফোরেন কেপিটেল প্রেক্যুর্মেন্ট রুটশিং হায়না অনী খায়দোকখ্রে। চৎলিবা শেনবা চহী অসিদা দোমেষ্টিক কেপিটেল প্রোক্যুর্মেন্টকী ওইনা লুপা ক্রোর ৫২,০০০ লোমগী শেনফম ওইগদবা তোঙানবা বজেট হেন্দ অমা শেম্লে। ইনৌ নৌনা আইটেম ১০১ পুশিল্লকপদা অথিংবা থল্লিবা অসিনা মথংগী চহী ৫ দগীনা ৭ ফাওবগী মনুংদা দোমেষ্টিক ইন্দষ্ট্রিদা লুপা ক্রোর লাখ ৪ রোমগী কন্টেক্ট ফংহল্লবা য়াই হায়রি।

## য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সেক্রেটরি ওফ হেল্থ টাইৱানদা থুংখ্রে, খোঙচৎ অদু চাইনানা কন্দেম তৌখ্রে

টাইপৈ, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি) :
য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ হেল্থ এন্দ হ্যুমেন সর্ভিসেস অলেক্স অজার নোংমাইজিং নুমিত্তা টাইৱানদা থুংখ্রে। চহী ৪০গী মনুংদা পাঙথোক্লিবা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী য়ু এসকী ওফিসল খোঙচৎ অদুবু চাইনানা কন্দেম তৌখ্রে। খোঙচৎ অসিগা লোয়ননা ইথৎ অদুবু ক্লেম তৌরিবা চাইনাগী রিএক্সন অসিনা লৈবাক অনীগী মরী হেন্না শোকচিনহল্লগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ উৎলি হায়রি।

হান্না টাইপৈগা ওফিসল মরী থম্ন রম্বদগী ৱাশিংটননা মরী অদু তৎনরগা কুমজা ১৯৭৯ দা বৈজিংগা ওইনা ওফিসল মরী থম্নবা হৌখি। ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না দেমোক্রেটিক ইথৎ অসিবু শৌগৎপগী ৱাফমদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা লাকখিবগা লোয়ননা ইথৎ অসিদা অমেরিকান খুৎলায়শিং হান্নদগী হেন্না য়োনশিনখি।



হ্যুমেন রাইটস, লল্লোন-ইতিক অমদি কোরোনাভাইরস পান্দেমিক হেন্দল তৌবগী ৱাফম য়াওনা হীরম কয়াগী মতাংদা ৱাশিংটনগা য়েৎনদুনা লাল্লবা বৈজিংনা অজারগী খোঙচৎ অদুগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং খুদিংমক লৌখৎলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চাইনানা টাইৱানবু লম হেনবা প্রোভিন্স অমনি হায়না লৌবগা লোয়ননা তঙাইফদ্রবদি ফোর্স শীজিন্নরগা কন্ট্রোল তৌগনি হায়দুনা লাক্লিবনি। য়ু এসকী হেল্থ চীফ অসি নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল অথেংবদা য়ু এস গভর্নমেন্টকী এয়রক্রাফট অমদা টাইপৈগী দাউনটাউন সোংসান এয়রপোর্টতা থুংখি। মহাকপু টাইৱানদা লৈরিবা য়ু এসকী দি ফেক্টো এম্বেসেদর ব্রেন্ট কৃষ্টিন্সেন অমসুং টাইৱানগী দেপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর টিয়েন চুং-ক্বাংনা ওকখি।

কোভিদ-১৯ রুলসকী মতুং ইন্না খুৎ শোক্লবনচিংবা লৈখিদে অমদি অজার য়াওনা ওফিসলশিং মাস্ক উপনখি। টাইৱানগা শেল-থুমগী মরী চেৎশিনহন্নবা, পব্লিক হেল্থ কোওপরেসন ফগৎহন্নবা অমদি টাইৱান্না কোরোনাভাইরস পানে দমিক থেংনবদা লৌরিবা মালেমগী ওইবা থৌদাংবু শৌগৎনবগীদমক্তা অজারনা খোঙচৎ অসি পাঙথোক্লিবনি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা মহাক্না টাইৱান গভর্নমেন্টকা হেল্থ কোওপরেসনগী এম ও য়ু অমা খুৎয়েক পীনগনি অমসুং টাইৱানগী সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোলদা ভিজিট তৌগনি।

## স্কুলশিং সেপ্তেম্বরদা হাংলগনি : য়ু কে পি এম

লন্দন, ওগষ্ট ০৯, (এজেন্সি) :
য়ু কেগী স্কুলশিং লাক্লিবা সেপ্তেম্বরদা অমুক হন্না হাংনবা গভর্নমেন্টনা ৱারেপ লৌরক্লিবসি সোসল, ইকনমিক, মোরেলগী মীৎয়েং য়াওবা তঙাইফদবা ৱারেপনি হায়না বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা ফোঙদোকখ্রে।



পান্দেমিক অসিগী অকিবা লৈজরবসু স্কুলশিং খুদোংথিবা অমত্তা থোকহন্দনা ওপরেট তৌবা য়াগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

হান্নদগী হেন্না ফগৎলবা মওংগী টেষ্ট-এন্দ-ট্রেস সিষ্টেম অমা য়াওদনা স্কুলশিং হাংবা তারবদি হৌরকপদা থেংনরিবা লাইচৎকী ফিভমদগী শরুক অনী হেন্না চাওনা চহী অসিগী নীংথমথাদা কোভিদ-১৯ লাইচৎকী অনীশুবা ইপোম অমা বৃটেনদা লাকপা য়াই হায়না থা অসিগী অঙনবদা ষ্টদি অমনা ৱার্নিং তৌখ্রবা মতুংদা জোন্সন্না স্কুলশিং হাংদোকপগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা মেলদা ইবা কলম অমদা জোন্সন্না হায়খি মদুদি স্কুলশিং অমুক হন্না হাংদোক্তুনা মহৈরোয়শিংবু মহৈ-মশিন তম্বদা মায় ওইনশিনহনবা হায়বসি নেসনল প্রাইওরিটি অমনি। মতুংদা মফম কয়াদা লোকদাউন থম্লকপা মতমদা স্কুলশিংনা ইকোন কোন্না থিংগনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মীফম অমদসু জোন্সন্না ফোঙদোকখি হায়না অতোপ্পা পাউচে অমগী রিপোর্টতা পনখি।

মরু ওইবা ৱর্করশিংগী অঙাংশিং খক্কী নত্তনা ইংলন্দগী স্কুলশিং নেসনল লোকদাউন মনুং হৌখিবা মার্চতা থোঙ লোন্নখিবা মতুংদা জুন থাদা মহৈরোয় খরখক লাইরিক তম্বা য়ানবা অমুক হন্না হাংখি। লৈবাক্কী ওইবা তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা অমা ওইনা গভর্নমেন্টনা মহৈরোয় খুদিংমক সেপ্তেম্বরগী অঙনবদগী অমুক হন্না সুকল কাহনবা পাম্মী হায়না জোন্সন্না ফোঙদোকখি।

## পীছ টোক হৌনবা অফঘানিষ্টান্না হার্দ-কোর টালিবান ৪০০ থাদোক্লগনি

কাবুল, ওগষ্ট ০৯, (এজেন্সি) :
হার্দ-কোর টালিবান প্রিজনর ৪০০ থাদোকপগী ৱাফম অফঘান গভর্নমেন্টনা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়াখিবগা লোয়ননা চহী ১৯ হেল্লক্লবা লান লোইশিন্নবগী পান্দমদা পীছ টোক হৌবা য়ানবগী লম্বী ফাৎখ্রে।



য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পকী মায়কৈদগী ইলেক্সন মতমগা মরী লৈনবা প্রেসর ওইনা মহাকপু লানগী চৈথেং নংলবা লৈবাক অদুদা লৈরিবা অমেরিকান ট্রুপশিং য়ুমদা পুরক্লবগী দিল অমা য়াননবা খঙহনখিবা মতুংদা অফঘানিষ্টানগী মচিন চৎপা অহলশিং য়াওনা পাঙথোক্লিবা গ্রান্দ এসেমব্লি নৎত্রগা লোয়া জির্গানা নোংমাইজিং নুমিত্তা প্রিজনর ৪০০ থাদোকপগী ৱাফম এপ্রুভ তৌখি।

হার্দ-কোর প্রিজনরশিং থাদোকপা হায়বসি পীছ টোক্তা য়াওনবগী কন্দিসন ওইনা টালিবান মিলিটেন্টশিংনা পুখৎলক্লিবনি। অচৌবা খুরৌ অমা লৌথোক্লবা, পীছ প্রোসেস হৌবা য়ানবা অমসুং হাৎন-শুনবা লেপহন্নবগীদমক্তা লোয়া জির্গানা টালিবান ৪০০ থাদোকপগী ৱাফম য়ারে হায়না এসেমব্লি অদুনা রিজোল্যুসন অমদা পনখি।

ৱারেপ অদু লৌরবা মতুং ঙাইহাক্কী মতুংদা অফঘান প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানিনা প্রিজনর ৪০০ অদু থাদোকপগী ওর্দর ঙসি মহাক্না খুৎয়েক পীরগনি হায়না লাউথোকখি।

প্রিজনরশিং অদুবু থাদোকক্দ্রা হায়বগী মতাংদা গভর্নমেন্টতা পাউতাক পীহন্নবগীদমক্তা হৌখিবা চয়োলদা ঘানিনা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং অমদি কোভিদ-১৯ পান্দেমিক্কী অকিবা মরক্তা অফঘান কম্যুনিটি লিদর অমদি পোলিটিসিয়ন ৩,২০০ লোমদা মীফম অদুদা শরুক য়ানবা ইনভাইট তৌখি।

হার্দ-কোর প্রিজনর ৪০০ থাদোকপগা লোয়ননা অফঘান গভর্নমেন্টনা টালিবান প্রিজনর ৫০০০ থাদোক্লগনি হায়না ৱাশকখিবদু থবক্তা ওন্থোক্লগনি হায়রি।

নোংচুপ্লোমগী দিপ্লোমেটশিংগী মতুং ইন্না লান শোক্লরিবা টালিবান অমসুং গভর্নমেন্টকী মরক্তা চয়োল অসিদা দোহাদা ৱারী শানবা হৌরগনি। ৱারী শানদ্রিঙৈগী মাঙওইননা প্রসিদেন্ট ঘানিনা হার্দ লাইন ইস্লামিষ্ট গ্রুপ টালিবানদা সীজফায়র মপুং ফনা ঙাক্লনবা অপিল তৌখি। অফঘানিষ্টানগী মফম কয়াদা চথখিবা খ্বাইদগী হেন্না মীশি-মীনা থোকহনখিবা এটেকশিংদা চেন্নবা হার্দ-কোর মিলিটেন্টশিং থাদোকপগী ৱাফম অসিবু মীচমশিং অমদি রাইটস গ্রুপ কয়ানা য়ানিংদবা উৎপা লৈখ্রবনি।

## লেবাননদা প্রোটেষ্টরশিংনা মিনিষ্ট্রি বিল্ডিংশিংদা থোমজিনখ্রে

বৈরুট, ওগষ্ট ০৯, (এজেন্সি) :
বৈরুট সিটিদা মথোং-মরম খঙদনা অনীরক চাওনা পোকখায়রক্তুনা মীওই কয়া শিহনবগা লোয়ননা অতৈ লিশিং কয়া অশোক-অপন নংহনখিবা থৌদোক্না খোইরাং-খোইশাওহল্লবা লেবানিজ প্রোটেষ্টরশিংনা থাংজ নুমিত্তা সিটি অসিগী গভর্নমেন্ট মিনিষ্ট্রি বিল্ডিংশিংদা থোমজিনবগা লোয়ননা এসোসিএসন ওফ লেবানিজ বেঙ্কসকী ওফিসশিংদা চঙদুনা পোৎ-চৈশিং চৈখায়খ্রে। অমরোমদা, খোইরাং-খোইশাওনরবা মীয়ামগী দেমোনষ্ট্রেসনশিং অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা মফম কয়াদা নোংমৈ কাপখি।



বৈরুটতা থোকপা খ্বাইদগী চাওবা পোকখায়বগী থৌদোক্কি হায়না লৌনরিবা মীওই ১৫৮ শিখিবা অমদি ৬,০০০ হেন্না অশোক-অপন নংহনখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী ব্লাষ্টশিং অদুগী মতাংদা পোলিটিসিয়নশিং রিজাইন তৌগদবনি অমসুং থৌদোক অদুবু থোকহনখিবা চেকশিন্দবা মীওইশিং চৈরাক পীগদবনি হায়না প্রোটেষ্টরশিংনা দিমান্দ তৌখি। শাথিরবা ব্লাষ্টশিং অদুনা থা কয়া শুরক্লবা লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল অমদি শেল-থুমগী ক্রাইসিস হেন্না লুশিলহনখি। প্রোটেষ্টরশিংগী ইরাং অদুদা পুলিস পর্সনেল অমা শিখ্রে হায়না স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখি।

ইরাং মফমদা লৈবা পর্সনেল অমনা ফোঙদোকখিবদা, ওফিসর অদু প্রোটেষ্টরশিংনা তান্নরকপদগী মনাক নকপা বিল্ডিং অমগী এলিভেটর সাফতা তানশিনবদগী শিখিবনি। রেদ ক্রোসকী মতুং ইন্না ইরাং অদুদা অশোক-অপন নংলবা মীওই ১১৭ ট্রিটমেন পীখি অমসুং অতৈ ৫৫ না হোস্পিটালদা পুখৎখি। নুঙনা পানবদগী শোক্লবা পুলিস পর্সনেলশিং এম্বুলেন্স ৱর্করশিংনা লায়কন্নখি।

অমরোমদা, শাথিরবা পোকখায়বগী থৌদোকশিং অদু থোকখিবা নুমিৎ মঙানি কান্নরগা নোংমাইজিং নুমিত্তা মালেমগী লিদরশিংনা মীফম পাঙথোক্তুনা বৈরুটপু মতেং পাংনবগী ফন্দ শেমগৎপগী মতাংদা ৱারী শান্নরগনি। ফ্রান্স অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ইনিসেটিভতা পাঙথোক্কদৌরিবা ভার্চ্যুএল কনফরেন্স অদু লেবাননগী মতমদা নুংথিল পুং ২ দগী হৌগনি। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা মহাকসু কনফরেন্স অদুদা শরুক য়ানবা থৌরাংলি হায়না ফোঙদোকখি। বৈরুটকী ব্লাষ্টশিং অদুদা দোলর বিলিয়ন ১৫ রোমগী মাল-চাংশিং মাঙহন-তাকহল্লম্বা য়াই হায়না ওফিসলশিংনা পারি।

## মুজিব হাৎপদা চেন্নবশিং থিবদা মতেং পাংনবা বাংলাদেশনা অপিল তৌরি

ধকা, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি) :
বাংলাদেশ হৌদোকখিবা সৈখ মুজিবুর রহমন হাৎপদা চেন্নবা হৌজিক ফাওবা মীচেন ওইদুনা লৈরিবা মীওইশিং থিবদা মতেং পাংনবা বাংলাদেশকী ফোরেন মিনিষ্টর এ কে অব্দুল মোমেননা মপান্দা লৈরিবশিং য়াওনা বাংলাদেশি খুদিংমক্তা অপিল তৌখ্রে। মোমেন্না হায়খি মদুদি, বঙ্গাবন্ধুগী বার্থ সেন্টনরি সেলেব্রেসন মনুংদা ঐখোয়না মীচেন ওইরিবা মীহাৎপা অনী ৱায়েল মায়োকহন্নবা থৌরাং তৌখি। মীওই অনী অসিগী মনুংদা অমদি ফাবা ঙম্লে। অতোপ্পা অদুসু ফাবা ঙম্নগনি হায়না ঐখোয়না থাজরি।

মুজিবুর রহমন হাৎপদা শরুক য়াখিবা মীওই ৬ কী মনুংদা অমা ওইরিবা অব্দুল মজেদ খুদক্তা হাৎখি। মহাক ইন্দিয়ন গভর্নমেন্টনা ফারগা বাংলাদেশতা শীন্নরকখিবনি। মহাক হৌখিবা এপ্রিলদা হাৎখি।

হৌজিক মীচেন ওইদুনা লৈরিবা অতৈ কনভিক্ট অহুমদি অব্দুর রসিদ, সরিফুল হক দলিন অমসুং মোসলেমুদ্দিননি। বাংলাদেশতা লৈরিবা ফোরেন মিসন খুদিংমক্তা মীচেন ওইরবা মীহাৎপশিং থিবদা মতেং পাংনবা খঙহনখ্রে। রসিদপু য়ু এসতগী পুরকপা য়ানবা অমসুং অতোপ্পা কনভিক্ট তৌরবা মীহাৎপা মীশক নুর চৌধুরিবুনা কানাদাদগী পুরকপা য়ানবা গভর্নমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং খুদিংমক লৌখৎলি হায়না মোমেন্না ফোঙদোকখি।

ফোরেন মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টর মশানা ফাওবা হীরম অসিগী মতাংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পতা লেটর ইখ্রে। ঐখোয়না মীহাৎপা অসিবু শোয়দনা লৈবাক অসিদা পুরক্তুনা চৈরাক ফংহনগনি। বঙ্গাবন্ধু সৈখ মুজিবুর রহমন কুমজা ১৯৭৫গী ওগষ্ট ১৫ দা মহাক্কী ময়ুমদা মহাক্কী ইমুংগী মীওই অয়াম্বগা লোয়ননা হাৎখিবনি। হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা সৈখ হসিনা অমদি সৈখ রহেনা হায়রিবা মচানুপী অনী অসিদি মতমদুদা জর্মনিদা লৈখিবদগী হিংহৌবনি।

## ওষ্ট্রেলিয়াগী ভিক্তোরিয়াদা কোভিদকী মীশি খ্বাইদগী য়াম্না রিপোর্ট তৌখ্রে

সিদনি, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি) :
মীওই ১৭ শিখিবগা লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা ষ্টেট ওইরিবা ভিক্তোরিয়াদা নোংমাইজিং নুমিত্তা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিদা নোংমগী ওইনা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিখ্রে।

অমরোমদা, কেপিটেল মেলবোর্নদা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বা এন্টি-মাস্ক রেলি অমা পুলিসনা থিংখ্রে হায়রি।

কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনগী অনীশুবা ইপোম অমা মায়োক্নরক্লিবা ভিক্তোরিয়াদা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা নোভেল কোরোনাভাইরসকী কেস ৩৯৪ দিটেক্ট তৌখি। হৌখিবা চয়োলমুক্কী মমাংদগী নুমিৎ খুদিংগী চাংচত্তা কেস ৪০০-৫০০ থেংনরকখি।

ইনৌ নৌনা শিরিবশিং অসি থারগা ষ্টেট অসিদা লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং পুন্না ২১০ শুরে। ওষ্ট্রেলিয়া অপুম্বগী ওইনা লৈরিবা কেস ২১,০০০ হেনবা অমদি লৈবাক্কী ওইনা শিরিবা অপুনবা মশিং ২৯৫গী মনুংদা অয়াম্বদি খা-নোংপোক থংবা ষ্টেট অসিদা থোক্লিবনি। ইনফেক্সন অয়াম্বা কেপিটেল মেলবোর্নদা দিটেক্ট তৌখি।

কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা তপথহন্নবগীদমক্তা ভিক্তোরিয়াগী ওথোরিটিশিংনা অহিংগী মতমদা কার্ফিয়ু থম্বগা লোয়ননা নুংতিগী ওইনা মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিনদা অথিংবা কয়া থমখি। খোঙথাংশিং অসিনা খরমখৈ মতেং ওইরবসু হৌজিকসু ষ্টেট অসিগী কোভিদ-১৯গী ফিভম অরায়বা ওইদে। হৌরকফম খঙদবা ইনফেক্সনশিং মখা তানা ষ্টেট অসিদা হেনগৎলক্লি হায়বা ভিক্তোরিয়াগী প্রিমিয়র দেনিএল এন্দ্রুজনা ফোঙদোকখি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা পুলিসনা মেলবোর্ন সিটিদা এন্টি-মাস্ক রেলি কাঙবু অমা তকথোকপগা লোয়ননা মীওই ৭ ফাখি অমসুং ফাইন কয়া থিহনখি।

## অন্ধ্র প্রদেশতা কোভিদক্যের সেন্টর মৈ চাকপদা মীওই ৭ শিরে



ভিজায়াৱাদা, ওগষ্ট ০৯, (এজেন্সি) :
থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা থৌদোক অমদা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা ভিজয়াৱাদাদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা চল্লাইবা হোটেল অমদা শেম্বা পেইদ কোভিদ ক্যের সেন্টর অমা মৈ চাক্লকপদগী মীওই ৭ শিরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হান্নদি ওফিসলশিংনা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা মীওই অহুম শিখি অমসুং অশোকপা অতৈ মরিনা হোস্পিটাল অমদা পুখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ফিভম লুনা শোক্লবা মীওই ৪ শিখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা শিখিবা মী মশিং ৭ শুরে। ভিক্তিমশিং অদুগী মনুংদা নুপী ১ য়াওরি। মৈ চাক্লিবদুদগী নান্থোক্লবগীদমক অহানবা ফ্লোরদগী মখাদা চোংথরকখিবা সেন্টর অদুগী ষ্টাফ অনীগী ফিভম লুনা লৈবগা লোয়ননা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা শিবা মী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবা মতমদা হোটেল স্বার্না পেলেসতা শেল্লিবা কোভিদ ট্রিটমেন্ট ফেসিলিটি অদুদা কোরোনাভাইরস পেসেন্ট ৩০ য়াওনা মীওই ৫০ রোম লৈখি হায়রি।

সিটি পুলিস কম্মিস্নর শ্রিনিভসা রাওগী মতুং ইন্না মৈহৌ-লাংপোক অদু অয়ুক পুং ৫ রোম তাবদা থোক্লকখিবনি। থৌদোক অদুদা শিখিবা অয়াম্বা মৈ চাকপদগী থোক্লকখিবা মৈখুনা শ্বর ফুনহনবদগী থোকখিবনি হায়বগী ইঙ্গিৎ লৈ হায়খি। ফায়র ফাইটরশিং মফম অদুদা চঙশিনখিবগা লোয়ননা মখোয়না কৈরাকশিংগী মতেংগা লোয়ননা ট্রিটমেন্ট সেন্টর অদুগী ইনমেটশিং রেস্ক্যু তৌখি অমসুং মখোয়বু এম্বুলেন্স ১৫ দা মনাক নকপা হোস্পিটালশিংদা পুখি। প্রিলিমিনরি ইনভেষ্টিগেসনদা সোর্ট সার্কিট অমনা মরম ওইদুনা বিল্ডিং অদুগী গ্রাউন্দ ফ্লোরদা মৈ হৌরকপদগী কোভিদ ক্যের সেন্টর ওন্থোক্লবা অহানবা ফ্লোরদা শন্দোরকখিবনি হায়বসি খঙবা ঙমখি।

## প্লেজমা দোনর অমনা মীওই তরুক্কী থৱায় কনখ্রে

বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ০৯, (এজেন্সি) :
বেঙ্গলুরু সিটিদা লৈবা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনদগী ফরকখিবা মশাগী চহী ২১ শুরবা নহা অমা ওইরিবা বিজিনেস তৌবা কুনাল গন্নানা প্লেজমা দোনেসন অহুল্লক তৌদুনা কোভিদ-১৯ পেসেন্ট তরুক্কী পুন্সি কনখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।



কুনালনা অহুল্লক প্লেজমা দোনেসন তৌখ্রে। হৌজিক মহাক্না মখা তানা অমুক্কসু প্লেজমা কৎননবা শেম-শাদুনা লৈরি। মহাক্না অহুল্লক দোনেসন তৌদুনা মীওই তরুক্কী পুন্সি কনখি হায়না হেল্থ ক্যের গ্লোবেল (ঐচ সী জি) হোস্পিটাল এসোসিএট দিন ভিসাল রাওনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

গন্নাগী প্লেজমা রিসিপেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা বি ঐচ নাতেস হায়রিবা মীওই অসি শ্রী জয়াদেব ইন্সটিট্যুট ওফ কার্দিওভাস্ক্যুলর সাইন্সেসকী কার্দিওলোজিষ্ট অমনি। থাংজ নুমিত্তা নাতেসনা গন্নাবু ঝুম কোল অমদা ভার্চ্যুএল ওইনা উনখি অমসুং প্লেজমা দোনেসন তৌদুনা মহাক্কী পুন্সি কনবিখিবগীদমক্তা থাগৎখি।

সিনিয়র কার্দিওলোজিষ্ট অসি হৌখিবা জুলাই ১৬ তা পাঙথোকখিবা টেষ্টতা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবনি। মহাক্কী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকখিবগা লোয়ননা নাতেস জুলাই ২১ দা বানেরঘতা রোদতা লৈবা এপোলো হোস্পিটালগী আই সী য়ুদা এদমিট তৌখি। মঙোন্দা ওক্সিজেন সপোর্ট পীবগা লোয়ননা রেমদেসিভির অমসুং কোভিদকী অতৈ ষ্টেন্দার্দ ট্রিটমেন্টশিং পীখি। লৌখৎফম থোকপা থৌরাং পুম্নমক লৌখত্তুনসু নাতেসকী হকচাংগী ফিভম হেন্না শোকচিল্লকপদগী দোক্তরশিংনা প্লেজমা থেরাপি চত্থবগী খোঙথাং খন্নবা হৌরকখি। হৌখিবা জুলাই ২৮ দা কার্দিওলোজিষ্ট অসিগী কোলিগশিং অমদি মরুপ-মপাংশিংনা ঐচ সী জি হোস্পিটালগী প্লেজমা বেঙ্ক কন্টেক তৌদুনা কুনাল গন্নাগী প্লেজমা দোনেসন ফংনবা হোৎনরকখি।

## পাকিস্তানদগী হোংলকখিবা ইমুং অমগী মীওই ১১ শিরল্লে

জয়পুর, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি) :
নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা রাজস্থানগী জোধপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেচু পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা লোদতা অস্লাৱাতা ভিলেজকী ফার্ম হাউস অমদা পাকিস্তানদগী হোংলকখিবা ইমুং অমগী মীওই ১১ শিদুনা লৈরল্লে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



পুলিস ওফিসলশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, খুঙ্গাশিংনা অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদা পাউ পীরকপদগী ফার্ম হাউস অদুদা মীওই কয়া শিরল্লিবদুগী মতাংদা খঙলকখিবনি। মীওই ১১ মফম অদুদা শিরমখি অমদি অমনা হিংলম্বা থেংনখি। অদুমওইনমক মহাক্না থৌদোক অদুগী লাংলা-লংজিন অমত্তা পীবা ঙমখিদে।

মীওই অসিনা মহাক মপান্দা তুমদুনা লৈবদগী করি থোকখিবগে হায়বা মহাক খঙবা ঙমদে হায়না ক্লেম তৌখি। মহাক্না য়ুম মনুংদা চঙলুবা মতমদা ইমুং অদুগী মীওইশিংগী অশিবা হকচাংশিং উরকপগা লোয়ননা কোইরাও লাওদুনা মতেং নীখি হায়না মীওই অসিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা পুলিসকী মায়কৈদগী থমখি।

দিষ্ট্রিক্ট সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (জোধপুর রুরেল) রাহুল বদুথ অমসুং অতৈ ওফিসরশিং থৌদোক থোকফমদা চঙশিন্দুনা থিজিনবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। পুলিসনা য়ুম অদুগা লোয়ননা অকোয়বা মফম অদু সীল তৌদুনা থমখ্রে হায়রি।

পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, মীওইশিং অদু হূ থক্লবদগী শিরিব্রা নৎত্রগা হুগী গ্যাস লিক ওইবদগীরা নৎত্রগা মখোয় হাৎলল্লিব্রা হায়বদু খঙননবা থিজিন্নবা হোৎনরি। মাইগ্রেন্টশিং অদু লিজতা লৌবা লমদা ফার্ম তৌদুনা লৈবনি হায়রি।

অমরোমদা, নোংমাইজিং নুমিত্তা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টতা লাইন ওফ কন্ট্রোল লান্না চঙশিল্লক্লবা হোৎনখিবা টেররিষ্ট অমা আর্মিনা হাৎখ্রে। থৌদোক অদুদা টেররিষ্ট অনী অশোক-অপন নংখি হায়রি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন কর্নেল দেবেন্দর অনন্দনা ফোঙদোকখিবদা, টেররিষ্ট কাঙবু অমনা নারোন্দগী কৃষ্ণঘাতি সেক্তরদা চঙশিল্লক্লবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং মখোয় এল ও সীগা য়াম্না নক্লুনা ইনিদয়ন ট্রুপশিংনা থেংনবদগী তকথোক্লবা হোৎনখিবগা লোয়ননা ট্রুপশিংগী এক্সনদা টেররিষ্ট অমা হাৎখি অমসুং মীওই অনীনা অশোক-অপন নংখি। মতুং তারকপদা থিবা হুম্বা চত্থবদা টেররিষ্ট অদুগী হকচাং মফম অদুদগী লৌথোকখ্রে হায়বসু খঙবা ঙমখি হায়রি।

## অচুম্বগীদমক লেপ্পবা রাজস্থানগী সী এমনা এম এল এশিংদা ইদুনা খঙহনখ্রে

জয়পুর, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি) :
ওগষ্ট ১৪ দগী হৌগদৌরিবা রাজস্থানগী এসেমব্লি মীখলগী মাঙওইননা চীফ মিনিষ্টর অশোক গেহলোটনা নোংমাইজিং নুমিত্তা এম এল এ খুদিংমক্তা লেটর অমা ইদুনা দেমোক্রেসি কন্ননবা মীয়ামগী খোলাও তাননবা অমদি অচুম্বগীদমক লেপ্পনবা অপিল তৌখ্রে।



লৈকংলাগী ষ্টেট অদুদা চাওখৎপা অমদি নুংঙাই-য়াইফবগী ফিভম লাকহনগনি হায়বা ৱাশকশিং থুংহনবা ঙম্নবগীদমক্তা চীফ মিনিষ্টরনা এম এল এ খুদিংমক্তগী মতেং নীখি। মায় পাকপা অমসুং মায়থিবা হায়বসি মীখলগী শরুকশিংনি। অদুমওইনমক লুচিংবা অমা ওইনা মখোয়না মীয়ামগা লোয়ননা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নগদবনি। মখোয় খুদিংমক্না অচুম্বগীদমক্তা লেপকনি হায়না ঐহাক্না থাজে। মীয়ামগী মেন্দেটনা পুম্নমক্তগী পুমহেন হেল্লি। মীয়ামদা শকখিবা ৱাশকশিং থুংহনবদা মখোয় খুদিংমক্না মপুং ফানা কোওপরেসন পীগদবনি।

ইন্দিরা গান্ধি, রাজিব গান্ধি অমসুং ভাজপাইগুম্বা লুচিংবশিংসু মীখলদা মায়থিবা নংখি। অদুমওইনমক মখোয়না কৈদৌঙৈদসু দেমোক্রেটিক ট্রেদিসনশিং অমসুং কন্সটিট্যুসনগী ভেল্যুশিং শোন্থহনবা লৈখিদে হায়না এম এল এশিংদা ইবা লেটর অদুদা গেহলোটনা মখা তানা পনখি।

কোভিদ-১৯গী পান্দেমিক মনুংদা ফাওবা কোংগ্রেসকী এম এল এ খরনা ওপোজিসন লোমেকর খরগা খুৎশম্ন রগা মীয়াম্না থাগৎলকপা মীহুৎশিংনা শেম্বা লোনা য়াবা ঐখোয়গী গভর্নমেন্টপু ইন্তুনবা হোৎনরকখিবসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়না গেহলোটনা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা কুমজা ১৯৯৩-৯৬ তা থোকখিবা থৌদোক খরা নীংশিংলদুনা বি জে পিগী লিদর ভাইরোন সিংহ সেখাৱটনা লুচিংবা ষ্টেট গভর্নমেন্টপু এম এল এশিং লৈন-য়োন্নবা তৌনদুনা চিংথুনবা হোৎনখিবা কয়া লৈখ্রবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, মতম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অমসুং ষ্টেটকী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইনা ঐহাক্না মতমদুগী গভর্নর বালিরাম ভাগট অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর পি ভি নারাসিমহা রাও উনদুনা ইলেক্টেদ গভর্নমেন্ট চিংথুবগী ৱাখল্লোন অসিবু কন্না য়ানিংদবা উৎখি। অসিগুম্বা থৌওং অসি ঐখোয়গী দেমোক্রেটিক ভেল্যুশিংগী মায়োক্তনি। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না ফাওবা রাজস্থানদা অসিগুম্বা চৎনবী অসি লৈহনবা পাম্নল্লোই হায়রদুনা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি গভর্নরনগী পুক্কিং চিংশিনখি হায়না গেহলোটনা ফোঙদোকখি।